# মাউদগী দেং ফাওবগী মতমদা চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীদা লাকখিবা অহোংবশিং -৭

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

চাইনাদি মশানা মশাবু সোভিএট য়ুনিয়নগী মতৌগুম্না, মোদর্নিটি/পোষ্টমোদর্নিটিগী লম্বেলদা চঙশিল্লকপা মতমদা, আমেরিকাগী দিভেলপমেন্ট মোদেল অমসুং পূন্সি মহিং অদুগা চপ মান্ননা মশক তাকচবা তৌদে হায়রি। সোভিএট য়ুনিয়নগা মান্নদবা মওং অমদা ঙসিগী চাইনাদি মালেমগী শেন্মীৎলোনগী সিষ্টম অমসুং ইন্সটিট্যুশনশিংগা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা লৈনৈ অমসুং চাইনানা সোভিএট য়ুনিয়নগী মতৌগুম্না, আমেরিকাগী গ্লোবেল এল্লাইন্স সিষ্টমবু শীংনদুনা মশাগী মিলিটরি এল্লাইন্স নৎত্রগা ব্লোক থম্বা তৌদে হায়নসু মখোয়না লাউরি।

ৱাফম অসি ওইদুনসু, আমেরিকাগী পোলিসি মেকরশিং, ষ্ট্রেটেজিক থিংকরশিং অমসুং মিলিটরি প্লান্নরশিংবু য়াম্নমক নুংনাংবা পোকহল্লিবদি, চাইনাগী শেন্মীৎলোন অসি ইকুই কুইদনা আমেরিকাগী শেন্মীৎলোন্দগী চাওখৎপা হেল্লক্তুনা, চাইনানা শীংনরকপখক নত্তনা, আমেরিকানা মালেমগী অশুপ্পা মতীক-মঙম চেনবা লৈবাক অমা ওইবগী ফিদা অসি মুনখিবগা লোয়ননা হৌজিক লৈরিবা মালেম অসিগী মচৎ-মওংশিং অসিদা অকায়বা থোকহল্লক্কদ্রা হায়বা অসিনি।

চাইনানা মালেমগী লল্লোন-ইতিক্কী চৎনরোল কয়া ঙাক্না চৎত্রে হায়বগী ৱাকৎ কয়ামরুম অমসু ঐখোয়না তাবা ফংনরি। ৱর্ল্ড ত্রেদ ওর্গনাইজেশনদা য়াওবা মতমদা পীখিবা থাজবশিং অদু চাইনানা ঙাক্না চৎপা ঙমদবা, মীরৈপাক্তগী পোৎ-চৈ পুশিল্লকপদা অথিংবা থম্লগা, চাইনাগী মপান্দা থাদোকখিবদনা সবসিদি পীবা অমসুং মপানগী কম্পনিশিংনা চাইনিজ মার্কেটতা চঙলকপগী মাঙজৌনবা কন্দিশন অমা ওইনা মখোয়গী ইন্টেল্লেকচ্যুল প্রোপর্টি অদু নমদুনা পীথোকহনবা অসিনচিংবা থৌওং কয়াদা য়ানীংদবা উৎনরি। অদুম ওইনমক, চাইনাগী মায়কৈদগী, মথক্কী ৱাফমশিং অসিনা লৈবাক অসিবু আমেরিকাগী লাল্লোং-লম্বা নৎত্রগা য়েক্লবনি হায়না লৌনবা মরম ওইবা য়ারোই, অসিগুম্বা প্রোব্লেমশিং অসিদি মমাঙঙৈদা আমেরিকা অমসুং মসিগী খোঙবুশিং অমদি জপানগী মরক্তসু লৈখি, খুদম ওইনা কুমজা ১৯৮০গী মতম লোইরমদাই অমদি কুমজা ১৯৯০গী অঙনবা মতমশিংদা "আমেরিকাগা জপানগা লান শোক্লরকপা য়াবগী" ফীভমদা লাকখি হায়রি।

চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনীগী মরক্তা "অনৌবা কোল্ড ৱার" অমা শোক্ল রক্কদৌরিব্রা? ৱাহং অসিগী পাউখুমদা চাইনিজ স্কোলরশিংনা, কনাগুম্বনা "শোক্লগনি" হায়না খনবা তারবদি মদু ২০শুবা চহীচা মনুংদা (কোল্ড ৱারগী মতম য়াওনা) লৈনখিবা চাইনিজ-আমেরিকান মরীগী পুৱারী খঙদবা তাগনি হায়বা ৱাফম অসি থল্লি। ২০শুবা চহীচাগী মতম শরুক মঙা থোকপগী মরীদা, চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনী অসি মুন্না মশক খঙনবা খোঙবু নৎত্রগা তেংবাঙনবা পার্টনরশিং ওইখি অমসুং হায়রিবা মতম অসিগী শরুক মঙা থোকপগী অমখক্তংদা য়েক্লবা ওইনা লৈখি। কোল্ড ৱারগী অহানবা চহী কুনলোম অদুগী মনুংদা চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়েক্লবা ওইনা লৈখিবা মতমদা লৈবাক অনীমক অৱাবা মায়োক্লখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এসিয়াদা অচৌবা শেঞ্জাউ চাদিং তৌবা "অকনবা লান অনী লীশাং শীৎনা শোক্লখিবা মতমদা য়াম্না ৱাখি অমসুং চাইনানা, মালেমগী লৈবাকশিংগী মরক্তা তোঙান্না তাদুনা লৈবা মরমদগী "গ্রেট লিপ ফোরৱার্দ/গ্রেট ফেমিন" অমসুং "গ্রেট প্রোলেটেরিয়ান রেভল্যুশন" অসিনচিংবা য়াম্না খুদোং থীনীংঙাই ওইবা পুৱারীগী তাঙ্ককশিং মায়োক্লখি। চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনীনা "খোঙবু" ওইনা চৎমিন্নখিবা কোল্ড ৱারগী অরোইবা চহী কুনগী মতম অদুদা লৈবাক অনীমকপু কান্নবা ফংহনখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোল্ড ৱার অদুদা "মায় পাকখি" অমসুং চাইনানা মদুদা হিংদুনা লৈবা ঙমখি।

চাইনানা মপানগী নত্তবা, লৈবাক মনুংগী ওইবা অচৌবা শীংনবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। ইকুই কুইদনা থোকখিবা য়ু এস-চাইনাগী লল্লোন-ইতিক্কী লান অদুদা প্রসিদেন্ট ত্রম্প অমসুং মহাক্কী হৈ-শিংলবা খোঙলোয়শিংনা বৈজীংগী মফমদা নম্ফুদা হোংদোকহন্নবা হোৎনখিবা থৌওংশিং অদু অশুপ্পা লৈঙাক্কী মতীক-মঙম্না শেমগৎলকপা, চাইনা মশাগী মতমগা চূনরক্ত্রবা শেন্মীৎলোনগী কয়াৎতা মরা লুনা তাশিনখ্রবা ঙাক্তনি। হায়রিবা শেন্মীৎলোনগী অরানবা মচৎ অসিনা চাইনাগী লেপ্পা লৈত্রবা শেন্মীৎলোন চাওখৎপদা অচৌবা পল অমা ওইরক্লে হায়না চাইনাগী শক্লাইরবা শেন্মীৎলোনশুবা মায়চৌ কয়ানা ফোংদোক্লরি। আমেরিকানা তকশিল্লকপগী ৱাফম অসিখক নত্তনা, চাইনাগী পোলিটিকল অমসুং শেন্মীৎলোনগী মতীক-মঙম চেল্লবা অখঙ-অহৈ কয়ানা লৈবাক অসিগী মঙম কয়া শান্দ্রবা রিফোর্ম অমদি মপানগা শম্নবগী থৌশিল অসিবু নৌহৌননা খোঙজেল য়াঙশিনহন্নবগীদমক্তা, ইহান হানবা অমসুং খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা খোঙথাং অমা ওইনা, অসিগুম্বা পল অসিবু লৌথোকউ হায়না লাউরক্লি।

অমরোমদা, চাইনাগী লাইরিক-লাইশু হৈবা অখঙ-অহৈশিংনা, লৈবাক অসিনা মালেমগী থাক্তা য়াম্না পাক-শন্না পায়খৎপা "ৱান বেল্ট, ৱান রোদ" কুম্বা প্রোজেক্ট, লোয়ননা সাউথ চাইনা সিদা লেপ্পা লৈতনা মশাগী লমগী শরুক্কি হায়না ক্লেইম তৌবা অমসুং ইকুই কুইদনা মফম অসিদা মিলিটরি থাজিনখিবা, পূম্নমক অসি লম শন্দোক্লীংবগী ৱাখলদা তৌবা নত্তে, তঙাইফদনা লৈবাক মনুংগী ওইবা মরমশিংদগী তৌবনি হায়না ফোঙদোক্লরি। শম্পৎনা, অসিগুম্বা খোঙথাংশিং অসিনা, চাইনাগী 'কম্মুনিষ্ট' লৈঙাক্লা ফীভম লুনা অমসুং লীশাং শীৎনা মায়োক্লদুনা লাক্লিবা মীয়াম্না য়ানীংদবগী শীংনবশিং অদুবু চাইনিজ লিদরশিপ্না থেংননবা হোৎনবদা কান্নহল্লি হায়রি।

মাওইষ্ট মওংগী চাওখৎ-থৌরাং অমসুং মখোয়বু মীয়াম্না য়ানীংবা পোকহন্নবা হোৎনবগী থৌশিল অনী অসিনা মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা, সী সী পিগী লিদরশিপ্না, চাইনাদা লেপ্পা লৈতনা শেন্মীৎলোন চাওখৎলকপগী খুদোংচাবা অসি মপূং ফানা লৌদুনা, মীয়াম্না মখোয়বু নৌহৌননা য়ানীংবা পোকহন্নবা হোৎনরি। মখোয়না শেন্মীৎলোন চাওখৎলকপা অসিগা মাওগী "চাইনিজ ঐখোয় লেপখৎলক্লে" হায়বা ৱারোল অসিগা মরী লৈনহন্দুনা মসিবু মাউ মতুংগী পি আর সীনা মীয়ামগী পূক্নীং খোন্নবা মরু ওইবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নরি। মতৌ অসুম্না মীয়ামগী পূক্নীংদা অচেৎপা খোঙদাফম অমা শেম্বা ঙম্নবা হোৎনবা অসিদা চাইনানা মালেমগী থাক্তা মায় পাকপশিং, মরু ওইনা লৈবাক অসিনা মালেমগী অনৌবা পৱার অমা ওইবা ঙম্লকপা অসিনা য়াম্না মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌরি। অদুম ওইনমক মতম মতমগী "পাঙথোকপা থবক্তা য়ূম্ফম ওইবা" "মীয়াম্না য়াবা" হায়বসিগা, লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলক্লিবা চাইনাগী শেন্মীৎলোন অসিনা মতম পূম্বগী ওইনা চাওখত্তুনা লৈবদগী মীয়ামগী পূক্নীংদা ফাওরকপা য়ানীংবগী ইহুল অদুগদি কৈদৌনুংদসু চাংদম্নবা য়ারোই।

অসিগুম্বা ৱাফম অসিদি, চাইনাগী চহী লিশীং কয়াগী পুৱারীদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা অঙকপা মওং অমনি হায়বা য়ারবা, অনৌবা, পাক-চাউরবা অমসুং মিদল-ক্লাসনা মপূং ওইবা সোশল ফোর্সশিংগী ফংফম থোক্লবা হকশিংগী দিমান্দ অমসুং সোশল, ইন্টেল্লেকচুএল অমদি কলচরগী ওইবা অনীংবা-অপাম্বশিং অদু ফংহনবা ঙম্লোইদবা, মতমগা চূনদবা ৱারোলনি হায়না শক্লাইরবা চাইনিজ হিষ্টোরিয়ান, প্রো: চেন জিয়ানা হায়রি।

তৌইগুম্বসুং, চাইনানা মায়োক্লরিবা শীংনবা অসি মখোয় মশাগী ওইবা মরম্না চাইনিজ মশানা মায়োক্লজবা তাবনি। মসিদা আমেরিকানা খূৎ থিংজিল্লুবা য়ারোই। মদু হেক তৌরুবদা চাইনাগী পূক্নীংদা নুংবোম্লনা লৈরিবা "হস্থনা য়েংবীবগী" নুংঙাইতবা অদু মকা ফোংলক্তুনা, 'অকন-অরিং শীংবা আমেরিকা' গী মায়োক্তা চাইনিজশিংনা মরৈবাকপু হকচীন্না নুংশিবগী ঈহৌ অদু শাগৎলকপা য়াই। করিগুম্বা ফীভম অদু ওইরকপা তারবদি চাইনিজ 'কম্ম্যুনিষ্ট' লৈঙাক্লা খ্বাইদগী হেন্না কান্নবা ফংগনি হায়নসু প্রো: চেন জিয়াননা ফোঙদোক্লি।

অমরোমদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনসু "চাইনাগী অকিবা" হায়বসি য়াওনা লৈবাক মনুংগী ওইবা অচৌবা শীংনবা কয়ামরুম মায়োক্লরি। চাইনাগী পোলিসি শেম্বশিংনা, আমেরিকাগী পোলিটিক্স অসি হৌখিবা চহী কুন্থ্রা অসিগী মনুংদা "ঐনা মহেল্লে" হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা পূমহোং হোংখ্রে, নৎত্রগা মখোয় মশেল অমগা অমগা ৱাখল মান্নরক্ত্রে হায়রি। আমেরিকাগী খুন্নাই অসি খাইবুং খাইবুং তারে। আমেরিকান দেমোক্রেসিগী মরু ওইবা য়ূম্বী অমা ওইরিবা মনীংতম্বা প্রেস অসি "শেমজিন-শাজিনবা পাউ" শিংনা মহুৎ শিনখ্রে। মীয়ামগী নোংমগী পূন্সিদা লায়রবগী মমি অমুক হন্না তারক্লে। খুন্নাইগী থোং মান্নদবা অসি মখল-মখা কয়াগী মওংদা লীশাং শিৎনা লৈরকপগা লোয়ননা ফীভম লুবা হেঞ্জিল্লক্লে। মফম খূদীংমক্তা তুংদা করি ওইরক্কনি অমসুং পূন্সিবু অসুম্না হিংবা হৌনবরা হায়বগী ককঙাউনবা মওং অমা পাক-শন্না লৈবা উরে। অদুবু আমেরিকা অসি লৈবাক মচা তাবা লৈবাক অমনি। অসিগুম্বা ফীভম অসি আমেরিকানশিংনা য়াম্না শাথীবা অরান-অহুইশিং তৌদ্রবদি অদুম্মক লেঙদনা লৈগনি হায়না চাইনিজ পোলিসি শেম্বশিংনা ফোঙদোক্লি।

হায়রিবা অরান-অহুইশিং অসিগী মনুংদা আমেরিকানা চাইনাগা মুক্লদুনা মশানা মায়োক্লরিবা শীংনবা পূম্নমকপু কোকহন্নবা হোৎনরকপা অসিসু অমা ওইবা য়াই হায়না চাইনিজ লিদরশিপ্না থাজবা পোক্লি। অদুবু চাইনা অমসুং আমেরিকা অনীনা মালেমগী খ্বাইদগী হেন্না চাউবা ইকনোমিশিং অমসুং অৱাংবা ৱাখল লৈবা মীওই কাঙলূপ অনী ওইনা লৈবাক অনী অসিনা য়াম্না মরী লৈনবতা নত্তনা মীওইবা খুন্নাইবুসু য়াইফহনগদবা মালেমগী অরুবা ইস্যুশিংদা পূন্না থবক তৌমিন্নবনা চুমগনি। ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভমদা অহোংবা লাকপা, ন্যুক্লিয়রগী খূৎলায় পৈশিন্দুনা থম্নরকপা অমসুং মালেমগী টেররিজমনা মনীং অমুক হল্লকপা য়াবগী ফীভম অসিনচিংবা মীওইবনা মায়োক্লরিবা অকিবশিং অসিগা থেংনবদা চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খূৎশম্নমা চৎমিন্নরবদি য়াম্না চাউনা কান্নগনি। মরম অসিনা, লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা 'পূন্না ৱাখল তামিন্নবা" অমা তঙাইফদনা মথৌ তাই। ৱাফম অসি থবক ওইনা পাঙথোকপদা ইরায় লায়না থোক্তবদি য়াই অদুবু ওইথোকপা য়াগনি হায়বগী আশাদি মাঙহন্দবনা চুমগনি। ●

---

# লাইনীংহল নাওরিয়া ফুলো (ফুন্দ্রে) অমসুং মহাক্লা মীতৈগীদমক লৌরম্বা থৌদাং - (১০)

**- লুক্রাম মধুকুমার মীতৈ -**

(হান্নগী মখা চথুজরকপা...)

ঐখোয়না পূক্লিং চুম্মী হায়বসি মীৎকুপ ফাবা নত্তে। মী অমনা ৱা অমা হায়বদা হেক্তা পৈখি। অসিগুম্বা পুকচেলসি পুদুনা লৈরবদি হন্দক্কী মপোক্তা অফবা ওইগদবা লৈতে। মসিবু পুকচেল থেনবা কৌই। "হায়খ্রবদি হায়খ্রে" হায়বসি পুকচেল থেনবগী ৱাখলনি। লাইবু নীংলরোই হায়বদা নীংদবগা চপ মান্নে। নীংলগে হায়না তাল্লবদি লম্বী য়াল্লে।

১) পূক্লিং ৱারক্তবা য়াদে (২) পথাপ কায়না চৎপা য়াদে (৩) য়াহিপ ফম্ফম চুমদবা য়াদে (৪) অতাওবা লম্বী মরা তাহন্দবা য়াদে (৫) তাইবঙগী অপাম নুংশি ৱাখল মমি শামহন্দবা য়াদে (৬) নীংবা অমা নীংদুনা চেৎনা কোন্দবা য়াদে (৭) নীংলিবদুগী মশক মওং লেপহন্দবা য়াদে (৮) মরমশিংসি চপ চানা তিল্লগা লীচিং অমত্তা ওইনা পূক্লিং চঙগনি। মরম নিপাল অসিনা লাং ওইনা থাক্লবতদা নীংন-উপালগী মথক্তা লৈরিবা উমং চেক্লাদু ফাবা ঙমজগনি। মসিনদি নীংদবদা কয়া লায়বা, নীংলগনা কয়া লুবা। তাইবঙপানবনা মবুক্লিংনা নীংলিবা পূম্নমক মশাগী তুরৈ-তুখোং ফাওবা শিলিবনি। মদু পূম্নমক্তু ফম্বীদা তিল্লুরিবনি। ফম্বীদুদগী ওইরকপা তাইবঙপানবনি। মতিক ময়াই পূম্ববু পুরক্তুনা তাইবঙপানবা ওইরক্লিবনি। মরম অসিনা মপানা চুম্না নীংলগা অচুম্বা মচা ওইনা তাইবঙ ফাওরকই। পৈনা নীংখিদুনা পূক্লিং পৈবা মচা ওইনা পোক্লকই। নহানমুক্কী মপোক হায়বসি ইপা-ইপুশিংবুনি, হৌজিক লৈরিবা তাইবঙ হকচাংবু হন্দক্কী মপোক্লি, মচা-মশু ওইনা শন্দোরকপসিবু হয়েংমুক্কী মপোক কৌই। হন্দক্কী মপোকসিদা থৌরম চুম্লগা হন্দকসু নুংঙাইবনি, হয়েংমুক্কী মপোক্তসু নুংঙাইনি। পূক্নীং ৱারক্তুনা নুংঙাই য়াইফনা পান্নবগী লাইনীং পথাপসিবু থম্নরিবনি।

*রিফরেন্স : লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা ইবা **"মীতৈ হৌভম্ ৱারী"** লাইরিক*

মীতৈ হৌভম্ থিগনি
মীতৈ পোক্ফম্ খঙ্গনি।
মীতৈ ইপা-ইপুদি সোরারেন্গী মচানি
মীতৈ মরুপ্খিবিক্তি লাইগী মচা-মসুনি
সোয়্ঘিদ্রবা ৱাহৈনি লাইগী লাইৱা ৱায়েন্নি
মীতৈ ইপা-ইপুনা হায়্নরম্বা ৱারীনি।
চয়োন্ তরেৎ লৈরিয়ে নোংমাইচীংসু ঙাল্লিয়ে
কৌব্রু চীংদোন্ ঙাল্লিয়ে লোক্তাক্ ঈপাক্ লংঙিয়ে।
খোঙ্হাম্-পাৎসু ফুন্দ্রিয়ে মকোই নুংগোই তুমদ্রিয়ে
লাই-মতোন্ ফৌরুংবা লাইরৈবাক্পু তাক্ইয়ে।।
কোৱাক্তা তোর্বুং লম্পাক্তো করম্নবু কাউগনি
তোর্বুং নুংশিৎ নামিবা মীতৈ ময়োন্ হুন্বনি।
করম্বু কাউদুনা মীগীদবু তাংসিগে
ইপা-ইপু মীরায়্না করম্নবু পান্সিগে।
মীতৈ - লৈবাক্ লৈত্রিঙৈ ঈপাক্কীদি ঈথৎনি
ঈথৎ ঈপাক্ ময়ায়দা নোংমাইচীংনা লেপ্পনি।
নোংগী মমায়্ ফাওদুনা নোংমাইচীংনা ৱাঙম্মি
হাওগী নাইগী লম্দগী লম্লেম্বু ওইরম্মি।।
লাইনিংথৌদি সোরারেন্ লাইয়াম্গীদি নিংথৌনি
তম্পাক্কীদি মীয়াম্না লাইনি হায়্না নিংবনি।
'ব্রহ্মণ-ক্ষত্রি-বৈশাগা-শূদ্রু' হায়্বা মরিনি
কুম্বী কালেন্ নাইদনা লাইনিংথৌবু নিংবনি।।
ঈপাক্কীদি ঈথৎতা অথোইবদি নুং-য়ায়্না
লখা-লখা লৈরিবা লাইনিংথৌনা খঙ্দুনা
লৈসেম্গেবু নিংখিয়ে ৱাখন্ ৱারেপ্ লেপ্খিয়ে
লাইগী মরুপ্ পুদুনা নোংমাইচীংদা লাক্খিয়ে।
হাও-নাইখিবিক্না নোংমাইচীংদা লৈরম্দে
ঈরং-ঈথৈ কিবনা চীংধক্তগী কুম্ঘিদে।
লম্লেম্নিবু হায়্দুনা লাইফম্নিবু খঙ্দুনা
লাইনিংথৌনা কাঘিয়ে লাইগী মরুপ্ পুদুনা।।
সোরারেন্ কাঘিবা নোংমাইচীংগী চীংদোন্দা
'নিংথৌকাবা' হায়্নরি চয়োন্ থিবা মতম্দা।
সোয়্ঘিদ্রবা ৱাহৈনি লাইন য়েন্বা ৱায়েন্নি
মীতৈ ইপা-ইপুনা হায়্নরম্বা ৱারীনি।
লাইনিংথৌদি সোরারেন্ চীংদোন্ লৈসা থুগায়্রে
ঈচাওগীদি ঈপাক্তা চীংদোন্ লৈসা থাদরে।
চীংদোন্থক্কী লৈসানা ঈরং-ঈপাক্ ফুন্ঘরে
য়ায়্বী লম্বু ফাওবদা লাইগী পুক্নিং পেন্ঘরে।।
লৈবাক্ লৈসা ফাওঘরে "লৈবাক্পোক্পা" হায়্ঘরে
সোরারেন্গী হাক্দক্কী মীতৈ মরুপ খঙ্নরে।
'শাস্ত্র-পুরাণ্' চম্ঘরে মীতৈ হৌভম্ মরীদা
'ব্যাকরণ' কানদে মীতৈরোন্বু লোন্বদা।।
য়ায়্বী-লৈসা ফাওরগা লাইগী মরুপ্খিবিক্না
য়ুম্সু-কৈসু সাঘরে অকি অখং লৈতনা।
লাইরৈবাক্কা মাননা লাইগী মরুপ্ পানঘরে
চয়োন্ থিবা মতম্দা 'য়ুমসাকৈসা' হায়্ঘরে।।
লাইনা পান্বা কুমৈবু চীংগী হাওনা উঘরে
কলক্ মিহৌঘিবনা লাইবু তান্গে নিংঘরে।
কুম্জা কালেন্ নাইদনা হাওগী লান্বু তাঘরে
নম্জা নম্থেক্ তৌদুনা মহে-মরোং উররে।।
লাইগী মরুপ্ খিবিক্না সাবোৎ লান্বোৎ সেৎতুনা
চীংগী হাওগা চায়ন্রে সনা সাগোন্ তোংদুনা।
য়াঙ্বী সগোন্ চেন্খরে চৈবী থাঙ্সাং পায়্ঘরে
হাওগী মরুপ্ হাৎখরে 'সগোন্চেন্নি' খঙ্নরে।।
লান্দা সিবা মীয়াম্গী ঈগী লোক্খোং চেন্বনা
ঈপাক্ ঈচাও গুম্ঘরে ঈগী ঈরং হৌবনা।
লাইগী মরুপ্ খিবিক্না 'ঈরায়্' হায়্না খঙ্নঘি
লান্না চাওবা মরম্না পুম্নমক্না হায়্নঘি।।
মতীক্ ময়ায়্ কন্বনা সোরারেন্গী পাংগন্না
হাওগী মরুপ্ তানঘরে লাইগী লান্মী খিবিক্না।
চৈবী-থাঙ্সাং চাম্ঘরে কুম্জা-লান্সু লোইঘরে
'থাঙ্জা' হায়্না হায়্ঘরে চয়োন্ তরেৎ থিঘরে।

*- লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলো*

মালেমগী অকক্লবা মফম, ঈরুপ নৎত্রগা শাগৈ অদুমক্তদা লাইপোক ওইবা মীথোই মীহেনবা পোক্কদবনি হায়বা লাইগী ৱায়েন করিসু লৈবা হৌনদে। তোঙান তোঙানবা মফম, ইরুপ অমদি শাগৈদা লাইপোক কয়া পোক্তুনা লাক্লিবনি। মতম মতমদুদা মখোয়না তাইবঙদা ফাওরক্লমদ্রবদি তাইবঙ পানবসি ওইরম্লোই।

মতাং অসিদা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলো নীংশিংদবা য়াদে অমসুং পন্দবা ঙমদে। লাইনিংহল খুন্নাইগী পূক্লিং খঙবা মীশক অমনি। মফম মতম য়েংদুনা মীতৈ খুন্নাইগী অমোৎপা শেংদোক, শেমদোক্লম্বা খুন্নাইরোল শুবা অমনি। মীতৈনা মনুংগী খঙদনা মপানগী অচাবদা তাউদুনা মীতৈ খুন্নাইবু মাঙহন্নবা, শেল-থুমদা, মহৈ-মশিং তম্বদা লৈখা তাহন্নবা, মীখা পোন্দুনা হিংহন্নবা অসিনচিংবা পূম্নমক অসি কোক্লবা মীতৈ লিচৎ (ধর্ম্ম) হিংগৎহন্দুনা চৎহল্লম্মী। ইদুনা, ঙাঙদুনা অমসুং থবক কয়া তৌদুনা মীতৈ খুন্নাইবু অমুক হন্না শাগৎলম্মী, লাইনিংহলনা ইরম্বা "মীতৈ হৌভম ৱারী" অমসুং "ঐগী ৱারেং" হায়রিবা লাইরিক অসিগুম্বা খুন্নাইবু অনৌবা য়াওনদা পুরকপা ঙম্বা লাইরিক অনীশুনা অহলগী মতমদগী ঙসি ফাওবদা মীতৈগী লৈজদ্রি। "মীতৈ হৌভম ৱারী" অমসুং "ঐগী ৱারেং" না মীতৈ খুন্নাইবু শেংদোকপগী অচৌবা খূৎলায় অমনি। মসিনা অমত্তা ঙাইবনি। লাইরিক অসিদা মীতৈ খুন্নাইগী শেল থুমগী ফীভম কয়া নৈনদুনা লীচৎকী মিংদা, হরাও-কুম্মৈদা শেল লান্না শীজিন্নবদু থিংনবা পাম্বে কয়াগা লোয়ননা লনলোনশু অমগী মশকসু তাক্লি। শেল থুম্না খুন্নাইবু য়োকই অমসুং চাওখৎহল্লি হায়বা খঙহল্লি।

মীতৈদি ইবুধৌ পাখংবগী চাদা নাওদানি। আর্য্য হিন্দুগী মচা-মশু নত্তে খঙলম্মী। মীতৈগী লৈশেম ৱারীদা অমসুং মমাঙদা পানখিবা নিংথৌরোলশিংগী মমিংদা সংস্কৃটকী মমিং হাপচিন্দুনা মোৎহল্লম্বদু শেংদোক্লম্মী। অশেংবা মীতৈগী ৱারী শিংবুলগী ৱাহৌদোক নিংথিনা পীরম্মী। হিন্দু ধর্ম্মনা চীং-তম অনীগী মরক্তা শিংচেপ থারম্বদু মহাক্কী ৱারী শিংবুলনা অমনা অমদা তিন্নবা য়াবা ঈরুপনি তাক্তুনা চীং-তম অসি পুকচেল অমত্তা ওইনা কংলারোল (রাজনিতি) গী য়ূম্ফমসু শেম্লম্মী। মসিনা অহলবু কংলারোল (রাজনিতি) গী চনিং তানা ৱাখল খনবা মীশক্কি হায়না খঙহল্লি। মিৎয়েং অশোমদা মহাক্লা খূৎমাবা অমসুং লুচিংবনি। লাইনিংহলগী ৱারেং অমসুং শৈরেং অনীমক হৈশিংনা মরৈ তৌদুনা অচুম্বা উৎপনা ৱারেং শকওংনি, তোপ-তোপ্পা মাইনি। ●

(মখা চথুজরকখিগনি)

---

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৫গী ৱাহং**

১) "মহাক্লা হায়রম্মী" হায়বা ৱারীমচা অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমনি।
ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? ত্রান্সলেটর অসি কনানো?

২) "নঙবু ঙাইবদা অহীংসে হৌখরে
নোংমদোল থাজসু তাখরে
নঙবু থিবদা তাংলৌসে থেঙখরে
নোংমদোল থৱান মুৎখরে।"

ঈশৈ শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমদি অইবসিগী মমিং ইয়ু।

৩) "গীতাগী পাউজেল" (২০০৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "ঐহাক লমকোইবা পামজৈ। মালেমগী মফম কয়াদা য়ৌনীংই।"
ৱাহৈ পরেং অসি নীংশিং ৱারী অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো?

৫) "মরি তৎলবা বীনা" হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।